# এম এন সী এ ইলিট ত্রোফিঃ আর সী এ লিলোং অমসুং ক্রাও খম্নাম বজার মায় পাকখ্রে





**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট ফিল্ডশিংদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ১০ রক শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহলাদা অমসুং দল্লিয়ু রমানন্দ ইলিট ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা আর সী এ লিলোং অমসুং ক্রাও খম্নাম বজার মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা আর সী এ লিলোং অমসুং ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ পেলেস কম্পাউন্দগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস আর সী এনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌখি। আর সী এনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা জমির খান অমসুং এম দি দানিস খাননা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি।

জমির খাননা বোল ৩৭ মায়োক্লবদা রন ২০ অদুগা দানিস খাননা বোল ২৩ মায়োক্লবদা রন ১১ লৌরমখি। মখোয়গী মতুংদা থোরকখিবা বেটসমেন এম দি অনুসনা মায়োক্ল রিবা টিমগী বোল্লরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং হৈনা শিংনা মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা বোল ৮৩ মায়োক্লবদা রন ৭৬ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৪০ লোইবদা আর সী এগী ৱিকেট ৯ তুরগা পুন্না রন ২০৬ লৌবা ঙমখি।

ঈ এস য়ুনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৬.২দা ওল আউট ওইরগা রন ৬৭ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু আর সী এনা লাকচনা রন ১৩৯দা মায় পাকখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন রোনাল্ড মৈতৈনা বোল ৩২ মায়োক্ল বদা রন ১৪ লৌরমখিবা অদু নত্তনা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, বোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লি অমসুং ক্রাও খম্নাম বজারগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ক্রাও খম্নাম বজারনা রন ৭২দা মায় পাকখি। মেটচ অসিগী ওইনা ক্রাও খম্নাম বজারনা টোস ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২১৫ লৌবা ঙমখি। অদুগা চেম্পনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৮দা ওল আউট ওইরগা রন ১৪৩ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

# ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টঃ ৱাই পি ঐচ য়ু (দল্লিয়ু) সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন (এম ভি সী এ)না শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৩ রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱাই পি ঐচ য়ু (দল্লিয়ু) লল্লাক্লুং মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱাই পি ঐচ য়ু অমসুং রেইজ নাগামপালগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস ৱাই পি ঐচ য়ুনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। ৱাই পি ঐচ য়ুনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা হেমন্তনা বোল ৩১ মায়োক্লবদা রন ২৫ অদুগা কুমারকান্তনা বোল ২৪ মায়োক্লবদা রন ২৯ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱাই পি ঐচ য়ুগী ৱিকেট ৫ তুরগা পুন্না রন ১৩৫ লৌবা ঙমখি।

রেইজনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা বোনিনা হৈনা শিংনা শান্নদুনা বোল ৬১ মায়োক্লবদা রন ৫৩ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনরল্লবসু লেমহৌরিবা বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোল্লরশিংগী এটেক মপুং ফানা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিদে। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন মাইকেলনা বোল ১৫ মায়োক্লবদা রন ১৩ লৌরমখিবা অদু নত্তনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১০০ খক্তমক লৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ৱাই পি ঐচ য়ুনা রন ৩৫দা মায় পাকপা ঙমখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই পি ঐচ য়ুগী হেরোমেননা তাখি।

## ত্রায়ল সিলেক্সন

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):**
মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা এপ্রিল ৫দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭ লক শুবা জুনিয়র বোইজ অমদি গার্ল্স নেশনল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেম্নবগী ত্রায়ল সিলেক্সন অমা থা অসিগী ২২দা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি। ত্রায়ল সিলেক্সন অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএশনদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।



HL-B/11160/2 Feb. to 6 Apr.( Alt)


# মণিপুরগী বোক্সর অহুম ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):**
থাইলেন্দগী বেঙ্কোকতা থা অসিগী ৮দগী হৌরগা চথরিবা অন্দর-১৯ ৱর্ল্ড বোক্সিং ফ্যুচর কপ ২০২৬তা ইন্দিয়া বোক্সিং টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী বোক্সর অহুম ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা মণিপুরগী বোক্সর অহুম অদুদি এল অমবেদকর, এল রাধামনি অমসুং সী ঐচ জয়শ্রীনি। বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী কেজি ৫০গী কাঙলুপকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা এল অমবেদকরনা টাজিকিস্তানগী বোক্সরবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা চাওনা মায় পাক্লুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা এল রাধামনিনা ইক্বেদরগী বোক্সরবু আর এস সী ফর্ষ্ট রাউন্দদা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি। অদুগা কেজি ৫৪ গী কাংলুপকীদনা সী ঐচ জয়শ্রীনা কজাখষ্টানগী বোক্সরবু আর এস সী সেকেন্দ রাউন্দদা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি। হায়রিবা বোক্সর অহুম অসিনা ৱর্ল্ড বোক্সিং ফ্যুচর কপ অসিদা ক্বালিফাই ওইদুনা মখা তাবা ওইনা সিনেগরগী দাকরদা চহী অসিগী ওক্টোবর ৩১দগী নবেম্বর ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমস ২০২৬তা শরুক য়াগদৌরি। পনবা য়াবদি, মণিপুরগী বোক্সর অহুম ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অদুবু মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1758**

**GM Alexander Grischuk (2654) - GM Andrew Hong (2568)**
**World Rapid 2025 Doha QAT, 2025.12.28**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 a6 | 4.Ba4 Nf6 | 5.O-O Be7 |
| 6.Bxc6 dxc6 | 7.d3 Nd7 | 8.Nc3 O-O | 9.Be3 a5 | 10.a4 Re8 |
| 11.Ne2 Bf8 | 12.Ng3 Nc5 | 13.Kh1 f6 | 14.Nh4 Ne6 | 15.Ngf5 g6 |
| 16.Nh6+ Bxh6 | 17.Bxh6 f5 | 18.Nf3 f4 | 19.g3 Qf6 | 20.Rg1 Kh8 |
| 21.Qd2 g5 | 22.gxf4 Qxh6 | 23.f5 Qf6 | 24.Rg3 Nf4 | 25.Nxg5 c5 |
| 26.c3 Rd8 | 27.Rag1 b6 | 28.d4 cxd4 | 29.cxd4 Bb7 | 30.Qc3 Qe7 |
| 31.dxe5 Ne2 | 32.Qa3 Nxg3+ | 33.Rxg3 Bxe4+ | 34.Nxe4 Qxe5 | 35.Ng5 Rd7 |
| 36.Nf3 Qf6 | 37.Qe3 Rf8 | 38.Ne5 Rd1+ | 39.Kg2 Qxf5 | 40. ... |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1757 Solution :**

**33. ...Rd1** *The black rook deflects White's rook away from protecting the bishop.* **34.Rxd1**
*34.Bxc3 bxc3 35.Qxc3 Rxg1 36.Qc8+ Ke7 37.Qc7+ Kf8 38.Qd8+ Kg7*
**34. ...Qb2+** *The black queen decoys White's king.* **35.Kxb2 Nxd1+** *The black knight forks White's queen and king. The black knight attacks White's queen, which is defending White's bishop.*
**36. Kb1**
*36.Ka1 Nxe3 37.Nd3 Nxg2*
**36. ...Nxe3** *The black knight attacks White's bishop, which is now trapped. The black knight captures White's queen, which was defending White's bishop.* **37.Kb2**
*37.f4 Nxg2*
*37.Nd3 Nxg2*
**37. ...Nxg2**
*37...Rxg5 38.Bf1 Nxf1*
*38...Rxe5*
**0-1**



CBC 37211/13/0008/2526

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com